ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯳ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ০১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ৩৩৩শুবা মশীং

# লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা

## *পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ, পুলিস তূমদুনা লৈরে*

**কুমজা ২০১৮গী** জন্যুৱারী ১৫দা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বরনা লুচিংবা বোর্দ অসিগী টিম অমনা ইম্ফাল সিটিগী বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক অমসুং গভর্ণর রোদতা নিল-খোংবগী চাং ওনখি। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি মীয়ামগী হকশেলদা শুংশোক শোক্লোইদবা নিল-খোংবগী চাং অসি দেসিবেল ১০ রোমদা লৈবদুনি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা কয়া লাকপদগী ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াদনা অয়ূক নুংথিলগী মতমদা দেসিবেল ৭৫, নুমিদাংগী মতমদনা দেদিসেল ৭০, কম্মর্সিএল এরিয়াদনা অয়ূক নুংথিলগী মতমদা ৬৫ অদুগা নুমিদাংগী মতমদনা ৫৫, রেসিদেন্সিএল এরিয়াদনা অয়ূক নুংথিলগী মতমদা ৫৫, নুমিদাংগী মতমদা ৪৫ অমসুং সাইলেন্ট জোনগী মফমদনা অয়ূক নুংথিলদা দেসিবেল ৫০ অমসুং নুমিদাংগী মতমদনা দেসিবেল ৪০ লৈরগদি নোর্মেলনি হায়না লৌনে। অদুবু জন্যুৱারী ১৫দা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা নুংথিলগী পুং ১দগী ২ ফাওবগী রিদিং লৌবদা দেসিবেল ৭৩.৫ য়ৌখি। অদুগা গভর্ণর রোদতনা নুংথিলগী পুং ২দগী ৩ ফাওবা ওল্লগা য়েংবদা দেসিবেল ৭৫.৫ য়ৌখি। বি টি পার্ক অমসুং গভর্ণর রোদ অসি সাইলেন্ট জোনগী শরুক অমনি। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি মফম অসিদা অয়ূক নুংথিলগী মতমদা নিল খোংবগী চাং অসি দেসিবেল ৫০দগী হেল্লোইদবদা দেসিবেল ৭৫.৫ য়ৌখৎলকপা হায়বসি হৌজিক্কী মীরোলদা অকনবা ৱার্নিং অমা পীরবনি হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী টিম অদুনা নুমিৎ অদুদা ইম্ফালগী মফম অমদা রেন্দম ওইনা ওটো রিক্সো ২৭কী ইমিসনগী চাং কয়াম ৱাংলিবগে হায়না য়েংবদা দিজল ওটো রিক্সো ৪ অমদি মৈখু থোকপগী চাং কা হেন্না ৱাংলম্বা থেংনখি। অমরোমদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা নোটিফিকেসনশিংগী মতুং ইন্না ইম্ফালগী মরু ওইবা মফম কয়ামরুম সাইলেন্ট জোননি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। সাইলেন্ট জোনশিংগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিএটকী মমাঙ অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং, গভর্ণরগী ম্যেন গেটকী মমাঙ অমসুং অকোয়বশিং, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মমাঙ, সিভিল সেক্রেটেরিএটকী মমাঙ অমদি মহৈ লোইশঙ খুদিংমক্কী ময়া য়াওই। সাইলেন্ট জোন মনুংদা নিল-খোংবগী চাং ৪০দগী ৫০ ফাওবদগী হেলহল্লোদবনি হায়বা অকক্নবা কাঙলোন লৈজরগসু মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনা অথিংবা পীদবনা হৌজিক্তি গ্যাস হোর্ন শীজিন্নবশিংগী খোঞ্জেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা হৌরবা খোঞ্জেল কয়ানা সাইলেন্ট জোনগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে।

নিল-খোংবা হায়বসিমক্তবু মীওইবগী হকশেলদা শাখিনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়নদুনা লাক্লি। ঈংনা-চিক্না লৈজরগা নুংঙাইবা মীওইবগী অচিকপা থুগাইদুনা ঈগী খোঙজেলদা অকায়বা পীরকই। ৱাখল লৈতাদবা পোকহল্লকই অমসুং মীওই কয়া দিপ্রেসনগী অনাবা লৈদুনা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লকই। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক-হৌজিক কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর, সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেন, এলেভেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামশিং পাঙথোক্লি। মহৈরোয় লিশীং ৭০ রোমগী মথক্তা এগজাম থারি। এগজামদা অথোই-অহেন তান্ননবা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না কন্না লাইরিক লাইশু পানরিঙৈগী চৈরক অসিদা য়াওশঙ স্পোর্টসকী মাইক খোঙবা হৌনরক্লে। মসিদসু নত্তনা লৈকায়-লৈকায়দা লাই হরাউবগী থৌরমসু পাঙথোকপা হৌনরক্লে। নুংথিলগী মতমদগী হৌনা লাউদ স্পিকর পাল্লগা থাদোরকপা অহৌবা খোঞ্জেল অদুনা মহৈরোয়শিং লাইরিক পাবদা শাখিনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। হৌরবা খোঞ্জেল অদুদা অমুকসু হৌরবা ধোন অমসুং লাউ-খোংবগী খোঞ্জেলনা মনাক নকপদা লৈবা মীয়ামদা শাখিবা চৈথেং পীরি। উমং লাইগা মরী লৈনবা থৌরম ওইবা অমসুং কলচরগী মীংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নরকপনিনা মনাক নকপদা লৈরিবা মীওইনসু ৱাকৎচননবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, হন্দক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা ওপোজিসনগী মেম্বর খুমুকচম জয়কিষণনা নোইজ পোল্যুসনগা মরী লৈননা পুখৎলকপা মোসন অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা থিংননবা থবক লৌখৎকনি, তঙাইফদ্রগদি লো শেমগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদি লোইখ্রে। অদুবু হাওসতা মেম্বরশিংনা পুখৎলগা লৈঙাক্না অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না লাউথোকখিবা নিল-খোংবগী খোঞ্জেল ফহন্ননবগী থৌশিল অদুদি হৌজিকসু পুংহিং হিংদুনা লৈরি। য়াওশঙ কুম্হৈগা মরী লৈননা লাউদ স্পিকর থাদোকপা, লৈকায়-লৈকায়দা লাই হরাউবগী ধোন থিনবগী মখোলনা সহর অসিগী অচিকপা থুগাইবদা নত্তনা এগজাম থারিবা মহৈরোয়শিংদা অঙকপা ফংনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। মসিবু থিংননবা থৌদাং লৌগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটি, পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসুং মণিপুর পুলিস তূমদুনা লৈখ্রে। খোঞ্জেল থোক্তনা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাকৎ অসি কোকহন্ননবা থৌশিল অমত্তা লৈররোইদ্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭

১। পেনাগী খূৎ ওয়না পায়রিবদুনা পুংমায় কৌই। খূৎ য়েৎনা পায়রিবদুনা চৈজিং কৌই। যন্ত্র অসিগা মরী লৈনবা ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু:
(ক) চৈজিংদা হাপ্লিবা শরিক মশীংদু কয়ানো?
(খ) নিংথৌগী থৌগলদা শক্কদবা পেনা শৈরোল কয়া লৈ?

২। "নাকোং থাঙ্গত্তুনা তারি/মপাং কায়নরবা থঙ্গোংগুম/নুংশিৎকী শউম ফাওবা।" পরেংশিংসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদৈ লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।

৩। "অদুঙৈ/মীৎ উইশিন্দুনা খাঙখিবা/ফৈদাপুং ঙসিদি/মায়থোঙ মকা-লাম্বগী খূয়া তুশিৎপা ফংজরে।" পরেংশিং অসিনা 'মীৎ নহাগী পাউখোঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মহৌশা লাইরেম্বীগী মশাইগোন্দা য়াতারিবী অরুনাচল প্রদেশ" কৌবা লমকোয় ৱারীগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

৫। "ইমাগী থবাক মপেশে/ইহৌরক্ত্রবা খোল্লাংনি/ইচাশিংগী ৱাবা উবদা/ইমা খাঙবা ঙমদরে।" পরেংশিং অসিনা শৈশকপা হামোম নবচন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬কী পাউখুম ৪ চুম্না থাবীরকখিবদি**

*১) মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট* (৪)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৬কী ৱিন্নর**

***মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৬কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মার্চ ১১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬ কী পাউখুম

১। থায়না মণিপুরী চনুশিংবু মাগী মাগী য়েক অমসুং য়ূম্নাক্কী মশক তাক্তুনা মিং কয়ামরুম কৌনরম্মী। মখাগী অনীসি করম করম্বা য়েক সলাইগী চনুশিংবু খঙনবগে?
(ক) ৱাংঙল্লোন **:- মৈতৈ নিংথৌ চনু** (খ) নুংবাল্লোন **:- লুৱাং চনু**

২। "ঝুলোনগী সন্ধ্যা য়াচংবা মতুংনি। নুংথিলগী মীনিলখোন নেমখ্রবা...। মীগী থম্মোয়সু নুংঙাইবনা মরাঙ হৌরে।" পরেংশিং অসি 'তারমদাই নুমিৎকী মশেক' কৌবা উপন্যাস অমদগীনি। অইবদু কনানো? **:- কাংজম পদ্মকুমার**

৩। "নিংথৌ অহুম পাল্লি লৈবাকসিদা/অহানবা নিংথৌদি মাইক্রোফোননি/...অনীশুবা নিংথৌদি নোংমৈ মরূনি/...অহুমশুবা নিংথৌশিংনা উচিশিংনি।" পরেংশিং অসিনা কবি জাতিশ্বর তোংব্রমগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
**:- 'নিংথৌ অহুম'**

৪। "মণিপুরী নুপীশিংনা চৎনবীবু থুগাইদুনা রেদিকেল ফেমিনিষ্ট অমা ওইনা চঙশিল্লগে হায়বা অকনবা ফিরেপমক্তি লেপত্রি। য়াম্না লিবরেল ওইবা মওংদা নুপাশিংনা মখোয়বু শকখঙবীয়ু ... তৌরকপা দাবিনি।" ৱাহৈশিংসিনা '২০শুবা শতাব্দীগী ৱারীমচাদা ফেমিনিজম' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
**:- কোইজম শান্তিবালা**

৫। "নুংশিদরা য়েংউ/উচানগী মৈরা/কপনিংদরা নঙবু/উরগা তোয়না।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ ময়েক ইবা, শরত অরাম্বমগী ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু। **:- '১০০'**

# য়াওশঙ, স্পোর্টস অমদি ঈরাং

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**মণিপুর** কৌবা ষ্টেটসিদা অখন্নবা মীংথোল অমা পীবা তারবা, মমাঙঙৈগী, নেহরুনা পীরম্বা 'স্বিজরলেন্দ ওফ ইন্দিয়া' নৎত্রগা 'লেন্দ ওফ জ্বেলস' হায়বনচিংবদু মতমসিগা চানদ্রে। স্বিজরলেন্দ'দা মালেমগী লমকোয়-মী (টুরিষ্ট) শিংনা লাইরৈবাক (স্বর্গ) দা কোয়বা চৎপগুম চৎনবদু, মফমসিদা কোয়বা চৎপদি 'নরক' তা চৎপগুম খন্নদুনা কনানসু লাক্লীংদে। সনাগুম্বা মনি-মুক্তা (জ্বেল) অমত্তসু পুথোক্তে, মহৌশাই খোনি (রিছোর্স) লৈরবসু কনামত্তনা থিজিন্দে।

ওরিষাবু 'লেন্দ ওফ টেম্পলস' হায়নবগুম, মণিপুরগী খ্বাইদই চূনবা মীংথোল অদুদি, ঙসিগী রিএলিটি (অচুম্বা শক্তম) য়েংলগা 'লেন্দ ওফ ফেষ্টিবেলস' হায়বসিনা ওইগনি। চহী অমগী থা তরানিথোই, পীকপা চাউবই মতুং ইন্না স্কেল খরা খরা খেন্নরবসু, থা অমত্তা ফেষ্টিবেল কাংদবা লমদমনি। মচা খায়না ইজররোই, পুন্নমক্না খঙবীরবা ৱাফমনি।

অদুগুম্বা ফেষ্টিবেলশিংগী মরক্তা খ্বাইদই চাউবা ফেষ্টিবেল, নোংম-নিনি পাঙথোক্লগা লোইবা নত্তবা-নুমিৎ মঙানি লেপ্তুনা চথুগদবা 'য়াওশঙ কুম্হৈ' (হোলি ফেষ্টিবেল) হয়েংদগী হৌরনি। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনা লমতা থাগী 'থানিন'দা পাঙথোক্লম্বা কুম্হৈদুগা, য়েলহৌমীশিং অদুনা হিন্দু-লাইনীং লৌর'তুং থুংলখিবা 'হোলি' গা করম্না অমত্তা ওইখিবা... শাংলবা ৱারী শিংবুল'দু পীক্লবা কাখল অসিদা ঙসি কোনশিনজররোই। হয়েংদগী হৌদৌরিবা কুম্হৈ অসি 'য়াওশঙ (হোলি) ফেষ্টিবেল' ওইদৌরিবরা? নৎত্রগা 'স্পোর্টস (শান্নবগী) ফেষ্টিবেল' ওইদৌরিবরা? খনফম অমা খঙদ্রদুনা, ৱারেং ওইনা ইথোক্লগা আইদিয়া স্যের তৌরিবনি।

হোলি! হিন্দুশিংগী/ইন্দিয়নশিংগী 'ফেষ্টিবেল ওফ কলরস' - ইন্দিয়াগী মফম পুন্নমক্তা নোংমতনি পাঙথোক্লিবা। মণিপুরদনা নুমিৎ মঙানি। 'হোলি' গা 'য়াওশঙ' গা করম্না অমত্তা ওইখিবা - মদু নৈনবই থবক্তু অখঙ-অহৈ/স্কোলারশিংগী ওইরসনু। 'হোলিকা' মৈ চাকপই ৱারীদুনা করম্না য়াওগী-শঙ (য়াওশঙ) মৈ থাবই ৱারী ওইখিবা? মুন্না খঙদে ঐহাক্তি। ঔগ্রী-হঙ্গেন-চোঙবা, ঙসিগীনা থাবল চোঙবা-হোলি ফেষ্টিবেল অসিগা মরী অমত্তা লৈনখিদে ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ, ঈথক থোংবা অহলশিং, স্কোলার-গুরু কয়ানা লীরকখিবা ৱারীদা। চাউরক-শাংলক-শিংলক্লগা পাখিবা লাইরিক কয়াদসু থেংনরক্তে-মচুগী কুম্হৈ অসিগা, নুমিৎ কয়া শাংথনা চথুবা, অকক্নবা মতম-পুংফম লৈতবা, থাবলগী জগোয় অসিগা য়েলহৌঙৈগী ৱারী অমত্তগা লৈনরম্বা শৈহৌ-ৱারী। লমতা থাগী থানিনগা ঔগ্রী-চোঙবই ৱারীগা শাগোন্নরম্বা অদুগা, থানিন নোংমা কোনবদা পাঙথোক্লুরম্বা হোলি-কুম্হৈগা ফাংনরম্বা অদুদা, মীগী মতৌ তন্নগা অনৌবা অমা শেম্বদা মপা লৈতবা মীতৈশিংনা হৈন-শিংনা শেমগৎখিবনি য়াওশঙ কুম্হৈ। য়াওশঙ শানবা ৱা লৈকায়দগী হুরানবা, অঙাংশিংবু লৈকায় য়ূমথোঙ খুদিং চত্তুনা শেল নিহনবা, লম্বীগী অচৎ-অওক নুপাশিংদগী নমদুনা শেল মুনহনবা, নহা-কাঙলূপ, অহল-কাঙলূপ, কাঙলূপ-কাঙলূপ খায়দোক্তুনা শেল খায়নরগা চাক চানবা, চাকচানবই প্রোগ্রাম ওইনা লীলা-দ্রামা-ঈশৈ নোংমাই পাঙথোকপা, খঙন-চান্নবা, মরী-মতা, অচৌ-অশাংশিংদগী থাবলগী শেল নিরুবা, হোলি-পালা হায়বা ঈশৈ শক্তুনা শুমাংদা জগোয় শারগা শেল-খায়বই মওং অমা হৌদোরকপা (নুপা কাঙবু নুপী কাঙবু, নহা অহল তোখাইনা) ... চহী কয়াদগী চৎনরকপা, নোংম-নোংমই হেনগৎলক্লিবা কায়ফদ্রবা য়াওশঙগী মচৎনি। থাবল চোঙবা হায়বা পাখঙ-লৈশা শকখঙনফম প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবসি নত্তনা, ইপানাৎ-ইপুনাৎকা মরী শুকলৈ লৈনদবা মচুগী অবের তৈনবা, পিচকারি কাপ্নবগী থবক অসি নোংম-নোংমই হেনগৎলকখি। খুন্নাইগী মশক মঙালকখি।

কুনশুবা চহীচাগী ময়ায় চনশিল্লকপা, হিন্দু-ধর্ম্মগী ইথিলনা য়ক লাউনা কনশিল্লকপা- ইরাবত কৌবা, মতমগী ঈচেল-মাঙওইননা চৎপা নুপা অমা থোক্লকখি। মহাক্না উখি- য়াওশঙ কৌবা কুম্হৈসিনা মহাক্কী শক্তম লৌদুনা চাথৎলক্কদবা খুন্নাইগী য়ূম্বী। ঈচেলগী ঈথৈ শেম্বগুম, ঈরাংগী শক্তম লৌরক্লবা য়াওশঙ কুম্হৈ, শান্ন-খোৎনবগী কুম্হৈ ওইনা শকওল্লবা, খুন্নাই অসি কনগনি - ইরাবতনা থাজখি। য়াওশঙ-স্পোর্টস-মহাক্না মঙ মঙজখিবা, য়াওশঙগী অতোপ্পা শক্তম অমই মমিনি। কনানসু থাজখিদে - ঈহৌ অমা ওইরক্কনি।

কয়াম কনবা ঈহৌনো? হয়েংগী কোরৌ অসিগী অয়ূক্কী পুংফম হাইগৎলকপা, ইম্ফালগী কংলা ময়োন্দা মায়কৈ মরীমকসিদগী থোমজিন্নরক্কদবা, মৈরা চুবা লাক্লিবা মী পরেং। ... লমদমসিনা শান্নবই তুংনফম ওইদনা, কনানবু ওইগনি' ... ৱাখলদুদা ফাওদ্রবা! ঐগী মীং হোংবীগে। খা-ৱাং, মনীং-মমাঙ কংলাদগী লমথাখ্রিবা মৈরাগী রেল্লি পরেংদুগী মনীং ইথং থংবদা নীংথিবা খোঞ্জেল শুমহৎপা খোন্থোক'তা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীনা মায়কৈ নিন্না লাউরম্নি ... মালেমগী শান্নবুংদা থোইদোকপা মফম কল্লবা, মণিপুরগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী লুহুপ'তা অরংবা মনি ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী থাগৎ ৱাহৈ। অতাবশিংনা খনগনি - কংলা-মৈত্রেং-অরাবা, নুমিৎ মঙানি চুপ্না মুৎহন্দনা থমদৌবা শান্নবুংদা হয়েংগী শান্নরোয় ওইরক্কদবা নৌরিবা অঙাং অমদি ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয় কয়ানা মতিক-মঙম ফুদোক্লম্নি। মণিপুরগী তম্পাক লম, সহর-খুঙ্গং সিন'-থুংনা অচৌবা শান্নবুং ওনখ্রনি।

কনাগুম্বনা করিগুম্বদা অসিগুম্বা ৱাখল খল্লক্লবা! থাজবীয়ু-ৱাখল অদু লাল্লবনি। নুমিৎ মঙানিগী শান্নবুংদা শান্নরমগদবা মশান্নশিংদি - শান্নবুংগী মশান্না ওইবা (গেম) নত্তবা, লিজলি-স্পোর্টস (মতম লেন্নবা শান্নবা) নৎত্রগা এন্টরটেইনমেন্ট-স্পোর্টস (নুংঙাইথোক্লবা শান্নবা) হায়না খঙনবা, কম্পিটিসনগী স্পিরিট য়াওদবা, শান্নরোয় অমা ওইরকপদা থোইনা মতেং পাঙদবা মশান্নঙাক্তা ওইরম্নি। স্পোর্টস ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা মফমদুদই খিক্তং লাপ্পদা, মীয়াম্না ওক্লে হায়নরিবা য়াওশঙগী ঈরাং মথেলদু অদুম উবা ফংগনি। লৈকায়দুগী য়াইতোং-ফমদোংবা মখোয় খরই ময়ূমদা হোলি-ঈশৈ শক্লম্নি। মোটোর তোংবা নহাসু, কারদা কোয়বা পাখঙ-লৈশাসু লম্বীদা অদুম উগনি। চহী চাম্মা ফারক্কদৌরবা অওনবগী নুংশিৎ মরকসিদা, হান্নদগী হেনজিল্লবা য়াওশঙগী পামদবা মশক্তুসু কায়দনা অদুম উগনি। মমাঙঙৈগী মতমদা 'য়াওশঙ/হোলি ফেষ্টিবেল' খক্তং হায়রম্বদু 'য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল' হায়দুনা অতোপ্পা অমগা হাপচিল্লকপনি। ফেষ্টিব-সিজন অমত্তদা ফেষ্টিবেল অনী পাঙথোকপনি। দবল-ইম্পেক হায়দুনি। ইমুং অমদি খুন্নাইগী (ফেমিলি এন্দ সোসল) এক্সপে-ন্দিচর, শরুক অনী হেলহল্লকপনি। ইরাবত'না পামজখিবা পর্পজ অদু মায় পাকত্রে হায়বগী ময়েক লাবা খুদমনি।

য়াওশঙ স্পোর্টস শিল-লাংবদা য়াম্না থৱায় য়াওজবা, মীয়ায় চনশিল্লক্লবা মরুপ অমনা হায়, 'য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকপনা মীয়ামগী মাঙজবা করিমত্তা পুরক্তে, মমা-মপা ওইবশিংনা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং কোয়শেন শেন্নরিবা কনভেন্ট স্কুলগী অঙাংশিংদুদি য়াওশঙ স্পোর্টস মফমসিদসু পুথোক্লক্লোই, মফমসিদা থোক্লক্কদৌরিবা অঙাংশিং, লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্বা, ওজা অমদি মমা-মপা অনীমক্না থওইবীদ্রবা অঙাংশিংদুনি, য়াওশঙ স্পোর্টস, মখোয়গুম্বা অঙাংগীনি, মতম লেনফম খঙদবা মৌ-নহাশিংদুগীনি'...। মাগী ৱাহায় অসিদা অচুম্বা খরা য়াওরি। অদু ওইরবদি - কংলাগী মৈত্রেং অরাবা, করি থৌগী লৌরিবা? হংফম থোক্ত্রা ৱাহংসে।

হৈনখ্রবা ফত্তবা হৈনবী, ৱারক চেৎপা মপাগী অকনবা মীচৈ কয়ানা থাদোকহন'ঙমদে খঙদবা কনা লৈরমগদগে। 'কেন্সর নাহল্লি' হায়দুনা অইবা ৱার্নিং পীরসু হেন্না অদুম মৈখু থক্লিবা মীওইবনি। চীফ মিনিষ্টর অমনা সোসল মিদিয়াগী খুখাংদা 'য়াওশঙ নুমিৎ নীনিদা তেনশিল্লসি, করি কায়বগে' হংলুবদা 'নখোয়গী চহী মঙাগী এম এল এগী মতমসি চহী অনীদা তেনশিল্লসি য়ানীংব্রা' হায়না কাউন্টর ক্বেসন হংলক্লিবা মীয়ামনি।

# দিমান্দ নম্বর ১০গী ওবজার্ভেসন : পি সরতচন্দ্র

**সোরোক নোরেন**

**চৎলিবা** শেনবা চহী ২০১৮-১৯গী বজেটকী মীফম হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩, ২০১৮দা লোইশিনখ্রে। মীফম অসিগী মপূং ওইবা দিমান্দ নম্বর ১০গী ওবজার্ভেসন্দা মোইরাং এ সীগী ওনরেবল এম এল এ পি সরতচন্দ্রগী ৱারোল য়াম্না মরীক চুমখি হায়না থমজরি। ওনরেবল এম এল এ পি সরতচন্দ্র রিটয়ার্দ আই এ এস ওফিসরনি। মতম অমা লৈঙাক্কী অচৌবা ওফিসর ওইনা দিপার্টমেন্ট অয়াম্বগী থৌদাং য়ারল্লবা থবক হৈবা অচঙবা ওফিসরনি। পি সরতকী মহুৎতা মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবা মীঙ্গৌনি মোইরাং সরত।

ঙসিদগী চহী ২৬/২৭কী মমাঙদা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ হাওসিং অর্বান দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টতা দিরেক্টরগী ফম পুবিরম্বা পুকচেল চাউবা ওফিসর অমগী ৱারী মতেক অমতং পুশিনজরি। দিপার্টমেন্ট অসিদা ফাইল অমা থা অমা খরা হেল্লবা ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী তান্নদুনা লোইশিনবীনবা হায়জবদা লোইশিনবীদবদগী দিরেক্টর মশাদা চঙদুনা ৱাকৎ মচা অমা থমজরুই। হরাউ-হরাউ কৌশিনবীদুনা করি লৈ হংবিরকপা, তরাম্না ওকপীবা মওংদা হায়নীংলম্বা পূম্বা কাউথোকখিদুনা চঙক্লখি। করি লৈ হায়ুনে হংলকপদা মরীক চুম্না লীরে। অদুদগী থা হেন্না ফাইল ফাজিনবীরিবা ওফিসর মচা অদু ঐখোয়গী ইমাংদা কৌশিল্লে। অৱাই অখুম ঙৈহাক তৌনরবগী তুংদা ঐখোয়না শেম্বীবা য়াবা ফাইল ওইরবদি য়ানবা খরা শেম্বীরগা হংচিৎ অয়ূক ঐনা ওফিস লাকপদা ঐগী টেবলদা ফাইল অদু থম্বীরম্নবা হোৎনবিয়ু। কয়াদা থোৎনা শীজিন্নদুনা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা লেপ্পীখিবা মীয়ামগীতা খন্দুনা লাক্লবা মতমদুগী দিরেক্টর অদু ঙসি দিমান্দ নম্বর ১০গী মরীক চুম্বা অচুম্বা মায়ওন্দা চৎহন্নীংই হায়রিবা ঙসিগী মোইরাং সরতসিনি। মশা নানবা, মশা খিং-খিং লাওবা য়াম্না ইনর্জেটিক ওইবা মতমদুগী ওফিসরদুনা ঙসিদি ইরমদমসিগী ৱায়েল থৌদাগী অনৌবা ফীদা অমা অমুক ফংদুনা মীয়ামগী থৌগলদা পুন্সি কৎথোক্লরি।

কয়াদা চীং লেম্না ঙাঙখিবা দিমান্দ নম্বর ১০গী ওবজার্ভেসন। মদুমক্তনা ইরমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা এসেমব্লি সেসনগী এম এল এ পি সরতচন্দ্রগী মিনিট ১৫ খরা হেনবা ৱাঙাঙনা লমদমদুগী, কেন্দ্র কেন্দ্রগী সরত ওইনা থোক্লক্লবতদা ইরমদম চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা লম্বা তৌবা ঙমগদৌরিবনি। দিমান্দ নম্বর ১০গী বজেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকীনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম মাঙজৌননা কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা চৎতুনা হৌজিক লৈরিবা এদ্যুকেসনগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিল্লবা মতুংদা শেন্নকপা বজেট ইষ্টিমেটনি। অহোবা অমতা লৈহন্দনবা মাঙলোমদা চঙশিনবা য়াবা চঙশিন্নবা মপূং ফারবা বজেট ইষ্টিমেটনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। বজেট অসিগী নুংগী অমদি অকূপ্পা ৱারোল কয়াবু তুংগী শুরোনগীদমক তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা কয়া মচা খায়না থন্বীরম্বা, ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী এসেমব্লিগী পুৱারীদা লেংদনা লৈহৌরগদবা ওবজার্ভেসন অমা ওইখি। য়াম্না মরীক চুমখি। চৎলিবা ২১শুবা চহী চা অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি 'এজ ওফ ইন্টিলিজেন্স' ৱাখল তাবা, লৌশিং শীঙবা চহীনি হায়নরিবনিনা কদায় ফাওবা চুমগদগে হায়বদু ঐখোয় পূন্নমক্না য়েংবা চঙই হায়বা অৱাংবা ৱাখল্লোনগী ৱাহৌদোক মেম্বর খক্তা নত্তনা অতাবা, অয়েংবা পূন্নমক্কী মীৎয়েং চিংশিনখি। হৌজিক হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী মতম নৎত্রে। তঙাইফদনা হ্যুমেন কেপিটেল ওইনা ট্রান্সফোর্ম তৌদবা য়াদবা মতাং হায়বদু ওইরে। ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী মিল্লিয়ন ৫৫৬ লোমদি হায়র সেকেন্দরি লেভেলদা লৈবা নহারোল মশীংনি হায়না পানরি। অমরোমদা মিল্লিয়ন ১২০ লোম্না চহী ১৪-১৮ ফাওবদা লৈবা নুপামচা অমদি নুপীমচা মশীংনা ওইরি। চাওখৎলবা য়ুরোপকী লৈবাক জপান, চিনাগুম্বা লৈবাকশিংগী মীওইশিং অসি অহল ওইরবা মীওইশিংনা খূৎলিংবা ওইরিবা লৈবাকনি হায়দুনা তুংগী প্রোসপেক্ট লৈতে লৌনরক্লবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইবা অপূনবা মীশিংদদি নহারোল লাইরিক হৈবা মশীংনা হেনবনিনা নহারোলদা ইম্ফেসিস পীনবা হোৎনরক্লি। মতৌ অসিগুম ঙসি ঐগী ইরমদম অসিদসু অদুগুম্বা য়াম্না ইনর্জেটিক ওইবা নহারোল মরাং কায়না লৈ। হীরম অসোমদা হেন্না মঙম শানবা, তুংগী অশানবা মীৎয়েং অমগীদমক শেম শাবা হৌনবা মতম চপ চারে হায়না থমখি। মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল মশীং অসি সেকেন্দরি থাক ফাওবদা ৫২৪ লৈ। অদুগা মসিদা ইনরোল তৌরিবনা মহৈরোয় ৪২,০০০ রোমনি। ওজা মশীংনা ৪৪৩১নি। নাকল অমরোমদা প্রাইভেট স্কুলগী সেকেন্দরি থাক ফাওবদা লৈবা স্কুল মশীংনা ৬৫৬নি। ইনরোল তৌরিবনা মহৈরোয় মশীং ১,০০,০০০ অদুগা ওজা মশীংনা ৪৫০০নি। খেন্নরিবা মশীংশিং অসি য়েংলুরগা লৈঙাক্কী নৎত্রগা প্রাইভেটকীনি হায়না খায়দোকপা মতম নৎত্রে। পূন্নমক ইরমদমসিগী তুংগী য়ূম্বী ঙাক্তনি। চহী অমগী মনুংদা লৈঙাক্না অঙম্বী থাক্তা হোৎনরবসু মকোক মথংদি করিগুম্বা কান্দা অমা নৎত্রগা অনী য়াওরকপা লাইবক থীরগনা শুংয়াও য়াওরক্তবা। অদুবু চহী খুদিংগী য়ামদ্রবদা মকোক মথং ২৪/২৫ খনগৎপদা অয়াম্বনা প্রাইভেট স্কুল ঙাক্তনি। মরম অদুনা প্রাইভেট স্কুলশিং অসি লৈঙাক্না অঙম্বা মতেং পীবা মথৌ তারি। করিগীদমক শোখরিবনো থীদোকপদা মথৌ মশক খঙবা ওজাশিং মথৌ তারি।

মরু ওইনা হৌজিক মমাঙঙৈগী কা অমদা ওজানা চহী লিশাং শিৎনা মিনিট ৪৫গী পেরদ অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন তাক্লগা তম্বীবা খূৎতম্বী অদু হোংদোকপা মথৌ তারে। মহৈরোয়শিংগী টেলেন্ট ফুদোকহনবা ঙম্বা খূৎতম্বী অমদি মহৈরোয়শিংগী অপাম্বদু করিনো মুন্না খঙনবা হোৎনবরোমদা মায় ওনশিনবা মথৌ তাই। ওজানা অপীকপা কা অদুদা পেরদ লোইবা ঙাইবগী খূৎতাক অদু শেমদোক্তুনা তাকপা হেক লোইবগা তাকখিবা পাড়া অদু খঙলবরা নৎত্রগা খঙদ্রিবরা হায়বগী চাংয়েং পথাপ অমা খুদক্তা লৌদুনা তাকপীরিবা মহৈ অদুগী ফল ফংনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি। অদুগা মীং চনশিল্লম্লগা স্কুল কারক্তবা মহৈরোয়গী মশীং অসি হৌজিক নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিসু নৌরিঙৈদা থীদোকপা মথৌ তাই। চীংগী লমদা য়ূম কুংনা তাদবা মফমশিংদা লাইরিক হৈবগী চাং নেল্লিবসি মতৌ করম্না থাক ৱাংহনবা ঙমগদগে কূপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই। চাওখৎলবা ফিনলেন্দ, জর্মনগুম্বা লৈবাকশিংদা কুমজা ২০১০দগী স্মার্ট কিদস টেষ্ট স্কোর হৌদোকখ্রবা মতমসিদা ওজানা তাকপা পড়া অদু তারগা ৱাহং অমা ফাওবা হংজবা ঙমদনা লৈরিবসি শেমদোকপা মথৌ তাই। য়াম্না স্কিল লৈহনবা ওজানা হংলিবা ৱাহংদুগী পাউখুম ওইনা কদায়দগী লাক্লিবনো হায়বগী ওনখৎতুনা ৱাহং হংবগী থৌনা লৈহনবা মথৌ তাই। হায়রিবা হীরমশিং অসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসিনা অথুবদা মেনখৎপদি খরা ৱাগদবা মরম্না প্রাইভেট স্কুলশিং অসিগা পূন্না কোলাবোরেসন তৌবা মথৌ তাগনি নীংই। চাংচৎতা মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা স্কুলগী রেসিও অসি প্রাইভেটতনা ৫০% খরা হেন্না লৈরিবসি য়ামদ্রবদা ৮০%গী চাংদা হেনগৎহল্লগা লৈঙাক্কী শেল থুমনা ওজাশিংবু অফবা মোটিবেসন তৌবা ঙম্বা ওজা পুথোকপরোমদা খরা হেন্না পূক্নিং চঙবগী মথৌ তাগনি খল্লি। মরমদি ঐগী মণিপুর শেল থুম মরাং কায়বা ষ্টেট হায়বদু য়াদ্রিবনা প্রাইভেট সেক্টরশিংসিগা তঙাইফদনা কোলাবোরেসন মথৌ তাই হায়নীংই। খুদম ওইনা বিল গেটকী নুপী মিলান্দা গেটনা বিহারগী খুঙ্গংশিংদা লাক্লগা লমদমদুদা এদ্যুকেসনগী লমদা কোলাবোরেসন তৌদুনা খুঙ্গংদুগী রাইট টু এদ্যুকেসন চাওখৎহল্লম্বা অদুসু ঐখোয়গীসিদা এপ্লাই তৌবা মথৌ তাই। তৌবদি মমৈদা লৈঙাক্না পাল্লিবা পান্দম অদু য়ৌনবা হোৎনবগী অকক্নবদুমদি প্রাইভেট পার্টনরশিংদা খঙহনবা তাই। অদুনা হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবসি প্রাইভেট পার্টনরসিপ্তা কোলাবোরেসন অসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না থমজনীংই।

হৌখিবা চহী ৬০/৭০ রোম অসি মণিপুরগী এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অহোংবা থোইনা উদবগুম তৌরিবা অসি অথুবদা হোংদোক্লবা শেম শাবা চঙই। হৌজিকমকপুদি তঙাইফদবা কয়া হোৎনদুনা মণিপুরগী এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা রাইট টু এদ্যুকেসন ফংনবা কন্না হোৎনরিদি হায়ববু মঙমদি ইশান শানদ্রি। খুদম ওইনা সর্ব্ব সিক্ষা অভিয়ান, রমসা, রুসা, মিদ দে মিল, ন্যুত্রিসন সপোর্ট টু দি এদ্যুকেসন, ভোকেস্নেল ত্রেনিং, টিচরস ত্রেনিং, টেক্নিকেল ত্রেনিং, লিগেল ত্রেনিং ময়াম অসি পূন্না পায়খৎতুনা হোৎনরবসু অশাংবা গেপ অমা লৈখিবনা চুমথোকপদা অরুবা অমদি ওইরি। হৌজিক ঐখোয়গী নহারোলশিং অসি মশানা পীথোরকপা টেলেন্ট লৈরবা কয়া মফম খুদিংমক্তা শিনবা থুংনা লৈবা য়াওরি। অদুবু মখোয় খরদুদা লৈরিবা অহেনবা টেলেন্ট অদুগুম লৈহনবা ঙম্নবা ওজা খুদিংমকপু মোটিভেট তৌবা মথৌ তাই। মতাং অসিদনি শেন্থোক মরাং কায়দবা মণিপুরগুম্বা লমদমসিদা প্রাইভেট পার্টনরসিপ তৌদুনা কোলাবোরেসন মথৌ তারক্লিবসি। হৌজিক্কী মহৈরোয়শিংদা ত্রেয়েটিবিটি হায়বদি ইনোবেসন, ইবগী হৈনবী, ক্রিটিকেল থিঙ্কিং ৱাহং হংবগী হৈনবী, কম্যুনিকেসন, তাবা হৈবা, মীনা ঙাঙবা মুন্না তাবা, পূন্নমকপু শক্তাইনবা ঙম্বা, কোলাবোরেসন, অচঙবা মীশক অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনবা, লীদরসিপকী থৌনা চেলহন্নবা হোৎনবগী মতমনি হোংদোকপা মথৌ তারে। অলবার্ট আইনষ্টান্না হায়রম্বা ৱাহৈ খরা 'ত্রেনিং ওফ দি মাইন্দ টু থিঙ্ক' এদ্যুকেসন হায়বসি ৱাখল খনবা তম্বগী মথৌসু তাই। মদুমক্লি পীক্লবা কা অদুদা হিষ্টরি, জিওগ্রাফিখক্তনা মহৈ অমগী মপূং ফারক্ত্রবা মতম হায়বদু ওইরক্লে। অদুনা তুংগী শুরোন্দা অশাংবা অহোবা অমা লৈহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইরি হায়বা য়ারবা এদ্যুকেসন বজেটনি হায়বসি ঐ ইশাসু য়াজরি।

মরু ওইনা ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা অমদি হেন্না অরুম্বা থৌদাং লৌবিরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা ঙসিগী অমদি কুমসি চহীগী দিমান্দ নম্বর ১০ এদ্যুকেসন বজেট অসি অহৌবা লৈত্রবা অশানবা মীৎয়েং এদ্যুকেসন বজেটনি হায়নীংই। অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফম অমতংদি এপেক্স বোদি অমা ওইনা এদ্যুকেসন সোসাইটি অমা শেম্বগী তঙাইফদবদু ঙসিগী হাওসতা থমজরি। সোসাইটি অদুদি চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরমেন ওইরগা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর য়াওবা অমসুং অহুমশুবদা এদ্যুকেসনিষ্ট অমা, বেলান থ্রোপিষ্ট অমা সেসিএল সাইন্টিষ্ট, এগ্রিকলচরিষ্ট, লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিদগী অখঙ অহৈ একাদেমিসিয়ন য়াওবা য়াম্না মচং ওইবা সোসাইটি অমা শেমদুনা মথৌনা লৈবা এপেক্স বোদি অমা থম্বগী অপাম্বা লৈজে। অদুগা ঙসিগী এদ্যুকেসন বজেট অসিবু শেম্বীরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরবুসু অহোবা লৈতবা তুংগী অশানবা মীৎয়েং য়াওবা বজেট অসিগীদমক্তা অমুক্কসু হন্না থাগৎচরি। মথক্কী ৱাহৈ খরসিনা অরোইবা ওইরগা দিমান্দ নম্বর ১০গী ওবজার্ভেসন্দা মোইরাং সরতনা পীখিবা ৱারোল পুৱারীদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা ৱারোল হায়বদু ওইখি।